# দিফেন্স মিনিষ্টরনা মোরেদা চৎতুনা বোর্দর ফেন্সিংগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে

*-দিফেন্স মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ঃ* নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা লাকখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স ডাঃ এমএম পালম রাজুনা হেলিকোপ্টরদা মোরেদা চৎতুনা হৌজিক হৌজিক ইন্দো- ম্যান্মার বোর্দরগী পিল্লর নম্বর ৭৯ দা বিআরওনা ফেন্সিং খাবগী থবকশিং চথরিবদু হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎতুগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা বোর্দর পিল্লর ফেন্সিংগী থবক অদু য়াওনা মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা এনএইচ ৩৯ শেন্থগী থবকশিং পায়খৎলিবশিং অসি নিংথিনা রিভিউ তৌরগনি হায়না ফোঙদোক্লম্লে।

দিফেন্স মিনিষ্টর ডাঃ এমএম পালম রাজু ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা দিফেন্স অমসুং বিআরওগী টিম অমগা লোয়নননা ইন্দিয়ান আর্মিগী চোপ্পর অমদা মোরেদা লৈবা ৯ শুবা অসাম রাইফস্লসকী হেলিপেটদা থুংলখি। মহাক্না হেক থুংলবগা মেজর জেনেরল য়ুকে গুরুংনা লুচিংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং স্কুলশিংগী অঙাংশিংগা লোয়নননা হেলিপেদতা ওকখি। তুংদা হেলিপেদ অদুদা মেজর জেনরেলনা ব্রিফিং তৌদুনা মোরে অমসুং য়ুম্নোন্নরিবা ম্যান্মারগী লম্বী-থোং য়াওনা মফমদুগী সেক্যুরিটি সিনেরিওগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্টরদা ময়েক শেংনা পাউদমখি।

মতুং তারকপদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অমা মোরে গেট নম্বর ফোরদা চৎতুনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৯ গী হৌজিক চথরিবা বোর্দর ফেন্সিংগী ফিভম য়েংশিনখি। লোয়নননা থবকশিং অদু মতম চানা পায়খৎপগীদমক বিআরওবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। তুংদা মোরে গেট নম্বর ৰান্দা লৈবা লোকচাও বৃগেদ, কিলোমিটর ১৩৯ শাংবা মোরে থাংফাই নিউ সোমতাল রোদ, ইন্দো- ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ রোদ অমসুং তুমু- কাইগোল- কালেৰা রোদকী থোং য়াদ্রিবশিং য়েংশিনখি অমসুং বিআরওগী ওফিসিয়েলশিংনা হিরমসিগী মতাংদসু নিংথিনা ব্রিফিং তৌদুনা মিনিষ্টরদা খঙহনখি।

খোঙচৎতুগা মরী লৈননা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোক্লম্বা কোহিমা ঙরাং বিআরওগী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়নননা মখা তাবা প্রোজেক্টশিং অপগ্রেদ তৌনবা খন্নখ্রে। লোয়নননা এনএইচ ৩৯ গী ফিভম অমসুং বোর্দর ফেন্সিং অমুক হন্না রিভিউ তৌগনি হায়না ফোঙদোক্লমখি। তুংদা ৯ শুবা অসাম রাইফলসকী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরসকী আইবি দা চাক্লেন অমা চারবা মতুংদা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ইম্ফালগীদমক মোরে থাদোকখি।

দিফেন্স মিনিষ্টরগী মোরে খোঙচৎ অদুদা দিজিএআর লেফটিনেন্ট জেনরেল রবি শঙ্কর, কম্মান্দর থ্রি কোর লেফটিনেন্ট জেনরেল দালবির সিংহ, আইজিএআর (সাউথ) মেজর জেনরেল য়ুকে গুরুং, দিআইজি ২৬ সেক্টর এআর, বৃগেদিয়ার উপেন্দ্র দিৱেদি, বিআরওগী চিফ ইঞ্জিনিয়ার বৃগেদিয়ার অরুন জোসি, এস সি মোহনলাল, একজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার একে জেন, মোরেগী ৯ শুবা এআরগী ওফিসিয়েটিং কম্মান্দেন্ট মেজর অমিতাব ঘোসাল, মোরেগী এদিসি লুনমিনথাং হাওকিপ অমসুং মোরেদা লৈবা এদিসনেল এসপিসু য়াওখি।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা মোরেদগী হল্লক্লবা মতুংদা মণিপুরগী গভর্নর অমসুং চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীগসু উন্নখি। মখা তানা ঙসি অহিংসিমা দিফেন্স মিনিষ্টর ডাঃএমএম পালম রাজু রাজ ভবন্দা য়ারেক্লগা হেলিকোপ্টরদা অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবদা এনএইচ ৫৩গী ফিভম য়েংশিনগনি। মদুগী তুংদা অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা তমেংলোংদা চৎলবা মতুংদা অয়ুক পুং ৯.৫০ তাবদা ইম্ফালগীদমক তমেংলোং থাদোক্কনি। অদুগা নুংথিল পুং ৪.৪৫ দনা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিগনি হায়রি।